# থম্মোয়গী মপাও চপ চানা চেনবা ঙম্না, নুং-হিক্লনা শকপা শৈশকপা সগোলশেম বিশ্বরুপ’

- নানি

মতম অমা রেদিওগী তাবীনিংবা ঈশৈ হেক থাবগা শুংশোয় শোয়দনা মীয়াম্না য়াম্না খনখিবা শৈশকপশিংগী মনুংদা সগোলশেম বিশ্বরুপ হায়বা অসিসু অমনি। শৈশকপা অসিগী মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মথেল কয়া অমা লৈরি। ময়ামদুগী মনুংদা শংলাকপম অচৌ শর্ম্মনা শৈরেংবা, “পোইনু লৌবুক উরগা, নীংশিংল্লক্লে নৌহৌনা, লম্লানবীদো তামখ্রবী...” হায়বা ঈশৈ অসিসু অমনি। তশেংবদি ঈশৈ অসি থা অসিগী অখন্নবা ঈশৈ ওইনা রেদিওদা লাম্হোরকখিবনি। মতম অমা রেদিওদা লাম্হোরকপা থাগী ঈশৈশিং অসি অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওইনখি। অতৈ শৈশকপশিংনা শকপা ঈশৈশিংসু অদু মঙাই, লোয়নমক ফাওনখি। শৈশকপা সগোলশেম বিশ্বরুপকা ৱারী শানজরুবদা পোইনু লৌবুক ঈশৈসিগী শুর পানবগী মতাং অসি য়াম্না নুংশিখি। ঈশৈ অসি শুর পানবা হায়বা অসি তরাইবা অমা ওইদে। শুর পানগদৌরিবা অদুগী থম্মোয়দা ফাওরকপা ইথিল অমা ঙাইবা তাই। ফাওরক্কদৌরিবা ইথিল অদুনা থম্মোয়দা থেংলরবদা ঈশৈ অদুগী মথ্বায় পাল্লকই হায়না থন্বীরকখি। করিগুম্বদা ঈশৈ অমা হাথু-হাথু পানখিবা শুরসু তান চারুরগা হেক মীয়াম্না পাম্নবসু ময়াওই, অদুবু মদুমক্তি চাম্মাদা অমা অনীগী ৱানি। পূক্লিংদবু করিমত্তা ফাওরক্ত্রবদি ঈশৈ হায়বসিগী মথ্বায়সি পাল্লু হায়বা য়াদে। ৱাফম অসি য়াম্না লুই। ঈশৈ অমা মথ্বায় হাপকে হায়রবদি, শুর কার অদুনা মাইবী চঙবগুম তুমীন্না ফমদুনা তরং মালং অমদা তাওরগা লৈরবা মতুংদা শুর অদু থম্মোয়দগী কোক্তা, কোক্তগী চিনদা মরী মরী থোরকপনি। পোইনু লৌবুক উরগা হায়বা ঈশৈ অসিগী ময়েক অসিনসু ফজবা ৱারী অমা, মদুসু মতম অমগী লৌরোকপগী থাপুমদা, থোকপা নুংওন ৱারী অমা নীংথিনা শাগৎলি। শাগৎলিবা অসিদা মণিপুরী কলচরগী ফজরবা মশক অমসু লোয়নরি। হায়রিবশিং অসি চুম্নগী ঈশৈনি হায়দুনা শুর অমা হেক্তা হাপচিনবদা ওইবা য়াবা নত্তে। ফোর্মেট অমদি কন্টেন্ট অনী অদুনা চপ চান্নরবা মতমদতা ঈশৈগী মথ্বায় হাপকদৌরিবনি।

ঈশৈসি মতম চঙনা শুর পানখি। নহা ওইরিঙৈ, লৌবুক্কী ৱারী, লৌবুক্কী সিন, ফৌনা মরিক চুল্লক্তুনা সনা মচু মাল্লকপা, য়েংবগী ফজবা মতম, উচেক-ৱায়ানসু তীল্লাং খায়োৎননা মীতান্নরকপা মতমদা, নুমীদাংৱাইগী নুংশিৎকী অমেংবা কয়াসু নীংশিংলগা, পুম্নমকশিং অদু শাগৎতুনা মীৎতা শং শং উরবা মতমদা শুরগী ইথিল অসি তপ্না তপ্না ফাওরকপদা, হার্মোনিয়ম মেৎ মেৎতুনা শুর থিরকপদা থোরকখিবনি হায়বা ৱাফম অসি থল্লকখি। অদুম্না মতম চঙনা শুর পানখিবা ঈশৈ অদু ঙসি ফাওবা মীয়ামগী ওইদুনা চিনদা লৈতোনদা পক্তুনা লৈরি। ঈশৈ অসি ঙংল-ঙংলগা মাগী অহেনবা মহাও হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা থোরক্লি।

সগোলশেম বিশ্বরুপ, ময়াং ইম্ফাল মখাদা লৈবা উচিৱা হায়বা খুঙ্গং অদুদা পোকখি। অদুবু হৌজিকমক্তি থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা ইংখোল লৈদুনা লৈরি। অপোকপনা সগোলশেম পারিজাৎ কৌই, মশাগী চহী ১০১ শুরে। মশা য়াম্না শেংনা লৈরি। অপোকপীগী মমিংনা নুংশি দেবী কৌই। চহী ৯৪ য়ৌরে, হৌজিকসু লৈরি। অপোকপগী মচিন মনাওশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অহল অসি নট সঙ্কীর্ত্তন শকপা মমিং লৈবা লৈবাক্কী ওজা অমনি। পীশক পীক্লিঙৈদগী শুমাংদা মাঙ্গোলদা পাবুং অহলনা মহৈরোয়শিংদা ঈশৈ তম্বীবা কয়া অদু উদুনা লাকখি। লোয়ননা মদুগী ইহুল অদু ফংখি। মখুরাশিংগী মনুংদসু থিনবা খোংবা ম্যুজিসিয়ন য়াওরি। অদুনা মরম ওইরগা নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা ঈশৈ শকপসি য়াম্না পামজরকখি। স্কুলগী থাক্তা লৈরিঙৈদসু ওজাশিং, মরুপ মপাংশিংনা স্কুলগী থৌরম অয়াম্বদা ঈশৈ শকহল্লকখি। মশানসু ঈশৈ শকপসি য়াম্না পামজরকখি। ময়াং ইম্ফাল হায় স্কুলদা অনকন্টেষ্টতা ম্যুজিক সেক্রেটরি ওইনা খনখি। থাবলমক্তা চোংলবসু মাইক্রোফোন



পায়দুনা ঈশৈ ওইনা হেক মশকখি। ঈশৈ ওইনা থওইনা ফোর্মেল নাইনা তমখিবসিদি ওজা অসেম বিমলাদগীনি। ঈশৈ তমদনা শকপা হৌখ্রবনি, মীয়াম্না মশক খঙবীবা হৌখ্রবনি। ওজা নাইনা তম্লকপদি কোলেজ কারবা মতুংদা থেংনা ওজা বিমোলাগী মনাক্তা চঙলগা তম্লকখিবনি। অহানবদদি মতমদুগী মমিং লৈরবা শৈশকপা নোংমাইথেম পহারীগী ঈশৈ মতৌ তমদুনা শকপনি। মশাগী ওইবা ঈশৈসু শকপদি হৌরে। অদুবু মীয়াম্নদি থোইনা ঈশৈদু মশক খঙবীখিদে।

উচিৱাদা, হৌরকপা খুলদা ৱাখল্লোন মান্নবা মরুপ মপাং ময়াম পুনশিন্দুনা দ ফ্লৱার দ্রামাটিক য়ুনিয়ন হায়বা অমা লিংখৎতুনা দ্রামা শান্নরকখি। তৌবগীদি সগোলশেম বিশ্বরুপ ষ্টেজদা থোক্তুনা দ্রামাদা রোল লৌদুনা কুমখিবদি নৎখিদে। মরুওইনা ম্যুজিক সেক্সনদা লৈবনি। মতমদুদা ফাওরিবা এলাংবম জয়চন্দ্রগী মতৌ তমদুনা দ্রামাদা ঈশৈ য়াম্না শকখিবনি। অসুম্না হৌরকখিবনা ঈশৈগী মায়কৈ অসিদা মায়পুননা চঙশিনবা হৌরকখিবসি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা এপ্রুভ সিঙ্গর অমা ওইরবা মতুংদগীনি। রেদিওদা ঈশৈ হেক শকখিবদগী সগোলশেম বিশ্বরুপকী মিং অসি য়াম্না পোপ্যুলর ওইরকখি। ইহা হান্না রেদিওদা ঈশৈ শকপা হৌখিবসি কুমজা ১৯৭২গী ফেব্রুৱারী থাদগীনি। ইহান হানবা প্রোগ্রামদা শকখিবা ঈশৈশিং অদু য়াম্না পোপ্যুলর ওইখি। রেদিওদা অহানবা শকখিবা ঈশৈসি- “নহাক কায়না মৈচাকসে, করম্না মুৎকনি তাকপীয়ু, নঙগী নুংশি ৱাখলসে করম্না কাওগনি হায়বীয়ু, ইচিক হুনবা অহিংদা, তারমদাই থাজগী মঙালদা, নঙবু নীংশিং নীংশিংনা, মীৎলু নাপোম অনীদা, প্রেমগী ইরা ঈহৌরে, কাওগে খনবসু কাওঙমদে, খল্লরোই নীংবসু মঙমদে, তৎতনা নীংশিংলি নঙবু, কায়রবা ঐগী থম্মোয়না, ৱানা লেল্লি পুন্সিসে” লৈখিদ্রবা চনম কুঞ্জোনা ইবীখিবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি রেদিওদা হেক শকখ্রবা মতুংদা, মতমদুদা শন্দোকখিবা তাবীনিংবা ঈশৈগী খুদোলদা চয়োল খূদিংগী খনবীরকখি। লোয়ননা সগোলশেম বিশ্বরুপপু মীয়ামদা শক তাকখিবা ঈশৈনি। শৈশকপা অসিগী রেদিও প্রোগ্রাম খূদিংদা মমিং লৈরবা, মীয়াম্না পামজবা ঈশৈ কয়া মথং মথং শল্লকখি। অসুম্না থোরকখি ঙসিফাওবা কাওবা ঙমদ্রবা ঈশৈ কয়া- “সনাগী সঙ্গাই নীংথিবা, মনিনা লংনা থমলবা, শারি ঐগী থম্মোদা, লায়রমচা ওইরসু” শৈরংবা- কৈশাম জামিনিকান্তনা ইখিবা ঈশৈনি। মুতুম মহেন্দ্র মৈতৈগী ময়েক্তা “নঙগীদমক লেল্লুরে পুন্সি, চেকপল খারা কৈশুমশঙদা, নুংশি বোন্দি ওইদুনা”, “পামদা পামদা লৌরে বিদাই, নুজা নঙগী নাকাদগী পোন্বী নঙগী নাকাদগী” শৈরেংবা- চনম কুঞ্জো। উশম অমুনা শৈরেংবা “তুমীন তুমীন লাক্কেকো, লোন্না চঙলক্কে, নঙগী লৈকায়দা তোংলগে, লৈহি পেন্না চুপ্লগে, তুমীন তুমীন লাক্কেকো”, নঙগী নুংশি লমনবু, শিংঙমদরে হায়না, নীংশিং ঐনা কপ্না কপ্না খাংলি। য়ামখ্রবা ঈশৈনি, কাখল অসিদা লোয়নমক হাপ্নবা খুদোংচাবা লৈতবনা মরম ওইদুনা মশীং শুনদি হাপচবা ঙমজদ্রে।

মসিগা লোয়ননা শক্লাইরবা শৈশকপা অসিনা হৌরক্লিবা নহা ওইরিবা ঈশৈবু পামজনা লাক্লিবা খূদিংমক্তা চেকশিন পাউজেল অমসু থল্লক্লি মদুদি- ঈশৈ শকপা হায়বসিমক্তবু, তান মেন চাবা, খোঞ্জেল ফজবা মথৌ তাই। ঈশ্বরনা পীবীরকপা খোঞ্জেল মাঙখিদনবা চাবা থকপদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই, লোয়ননা খোঞ্জেল মতম চুপ্পদা ময়েং তাদনবগীদমক ভোইস কলচর চাং নাইনা তৌবা য়াম্না কান্নগনি। মসিগী মথক্তা অহল লমন মশক খঙবা, থকশি খাশি নাইবা য়াম্না মরুওই। ঈশৈ শকপা হেক হৌরকপগা, মী উদবা, মশাদা নাপল য়াম্না কাবা হৌরক্লিবা নহাশিংগীদমক্তদি য়াম্না মাঙজনিংঙাই ওইবা মশক্লি। তন্লিবা শিনফম অদুদা পুকচেল শেংনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা মীকোক থোংবা ঙম্নবা হোৎনহন্নিংই। শোয়দনা মায় পাক্কনি। মীসু তৌনৈ হায়দুনা পংতম তম্বনদি থোইদোক্লা মীকোক থোংবা ঙমগনি হায়বা থাজদে হায়বা ৱাফমশিং থল্লক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০১।২০২২ ইং, নোংমাইজিং ; ৱাকচিংগী ১৪নি পানবা।

মেষ: মীচং লৈবা, অনৌবা অশা লাকপা, লেঙদবা লন অমদি লাইগুরুগী মতেং ফংবা লৈগনি। অদুবু মহূ চাউবনা নচাক নরলদা তাথিবদি লৈখিনি-পঙথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃষ: হকচাং নুংঙাইবা হেনবা, মীয়াম্না লোইনবা পান্বা অমদি য়েক্লবা হন্থবা নুমিৎনি। থাজদনা তিন্নবনা অঙম্বদা লান্না তমশিনবা অমদি নোল্লুক্লা চৎকদবদি ওই।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মিথুন: য়েৎনবা অমদি লাংতক্লবদি ফাথৌ অতৈ লমদদি মায় পাক্কনি। থৌনা ফবনা য়েক্লবা নমথগনি, পল্লম্বা শেলথুম ফংবা লৈ, মরুপ ফংগনি, হকচাং নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: নাইতোম থৌপাঙবা লুগনি অমদি ঙাইঙমদবা তৌগনু। অঙম্বনা মরৈ মরা তৌগনি-খাঙবা কল্লু, নক্লবদৈ চেকশিল্লু-ৱা ঙাঙবা লুগনি। অরুবা থবক পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: নীংবা থুংগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই, লৈঙাক্লোনগী লমদা মায় পাক্কনি, মীয়াম লোইনবদা কান্নবা ফংগনি। হকচাংসু নুংঙাই। থবক্তদি মীতোপ পূনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কন্যা: অনৌবা ৱাখল্লোন্না থবক পাঙগনি, মীনা ইন্সিনবা ঙাইদনা থৌ পাঙবা য়ারগনি, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাগনি অমদি অফবা মফম কনবগী নুংঙাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

তুলা: য়েংশিনবা খরা লৈরসু ফমথোল ফংবগুম মীংচৎ ফংই। তুংগী থৌরম শিল্লাংবা মতাং চাগনি অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবা য়াগনি। মরুপ্নদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: থিবা হুম্বা কনবৈ কান্নবা ফংই, অফা-অপুন লৈরম্বা কোকচৈ, অমদি মরুপ মপাং পূনবা থবক মায় পাক্কনি। লেঙদবা লনদি চেকশিল্লু, মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: নীংবা থুংলনি, মীচং হেনগৎকনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, অনৌবা ৱাখল্লোন্না কান্নবা হেনগনি। নাপলনা মাঙওইনরদি কোক শাগনি, থবক পাঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মকর: মতম মাঙবা ফরনি, মীচং লৈরনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেংসু লৌবা য়াগনি। হন্থবা লোইনবা, ৱা য়াম্না ঙাঙবা অমদি ৱানোম-থৌনোমদি কান্নফম খঙলোই।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: লাংতক্লবা অমদি য়েৎনবা খরা লৈরসু হৈশিংবা অমদি লান্দবনা নরল চাওখৎকনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি, ঙাঙথোকপদা মীনা তানিংগনি, লৌশিং ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

মিন: হৈ-শিংবা শারবদি হেন্না চাদিং তৌবা অমদি কাইনবা নংবা য়াই-পঙশিন্নদুনা য়াকা য়েংবা ফৈ। মীয়াম্না য়াবা থৌ পাঙবগী অফবা মহয় ফংগনি, লম চৎপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংঙাইবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ফার্মরশিংনা থেংনরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): হ্যুমেন রাইট লো নেটৱার্ক (মনিপুর), হ্যুমেন রাইট এলর্ট (ঐচ আর এ) অমদি লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ (লৌশাল) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা ফার্মরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দাইওসেসন সোসল সর্ভিস সোসাইটিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিকী ফোর্মর ভাইস চাঞ্চেলর প্রো. এম প্রেমজিৎ, মণিপুর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ফোর্মর দেপ্যুটি দিরেক্টর চিংঙাখম পিশক অমদি লৌমী শিন্মী অপূনবা লূপ (লৌশাল)গী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনিনা মথংশিৎনা প্রিসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটকী ফোর্মর মেম্বর কৈশাম প্রদিপকুমারনা মোদরেটর ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবা ফার্মরশিংনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া খন্নখি লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ খরসু লৌদুনা লৈঙাক্তা তকশিন্নবা লেপ্নখি।

## কে এন এফ (পি)গী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ১৬শুবা অসাম রাইফল্স য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙসি কৈথেলমানবী কৈথেলগী এরিয়াদা থি-হূন্বা চখবদা কে এন এফ (পি)গী কাদর অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়রি। মহাক্কী মমিংনা থাংলিও কিপজেন এলিয়জ রিকি (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা মংখোলিন কিপজেন কৌই। মহাক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এস খোলমুন খুলদা লৈবনি। মঙোন্দগী ৯ এম এম পিষ্টোল ১, মোবাইল হেন্দসেট অমা ফারে হায়রি। মহাক কুমজা ২০০৭তা লূপ অসিদা য়াওবনি হায়রি।

## এক্সিদেন্টতা মীওই অমা শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.২৭ লোম তাবা মতমদা নেসনল হায়ৱে ১০২গী ৱাংজিং কোদোম্পোকপী হাইজিনফমদা অঙাংবা মচুগী নম্বর য়াওদবা হোন্দা এক্টিভা থৌদুনা লাকপা নুপা অমা গাড়ি অমনা থোল্লম্বদগী শোক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লাইকন্ননবা পুখৎপদা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা নাওরেম সুজর এলিয়জ বিলে (৩৫) অপোকপা এন থোপি কৌই। মহাক টেন্থা খুনৌদা লৈবনি। মহাক হৌজিক্লা জি আর ইনফ্রাদা সিক্যুটি গার্দ ওইনা থবক তৌবনি হায়রি। মহাক্কী হকচাং অদু ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিম্স হোস্পিটালগী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা থৌবাল পুলিসনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা গাড়ি অদু হৌজিক পুলিসনা ফাগৎনবা থিবা-হূম্বগী থবক কন্না চখরি।

পনবা য়াবদি নেসনল হায়ৱে ১০২ অসিদা হৌজিক লম্বী পাকথোরকপগা লোয়ননা মখল কয়াগী গাড়ি অয়াঙবশিং থৌদুনা লাকপশিংনা গাড়ি ট্রাফিক্কী নিয়ম ঙাক্তবদগী লম্বী লমখাঙদা গাড়ি এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা তোয়না থোক্লি। গাড়ি থৌরিবশিংনা গাড়ি অমদি ট্রাফিক্কী নিয়ম ঙাক্তুনা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি অসি শোয়দনবা হোৎনহন্নিংই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ইম্ফাল-মোরে লম্বী অসিদা লম্বীগী ফিভম ফগৎলকপা অমদি মখল কয়াগী অনৌ-অনৌবা গাড়ি কয়া থৌরকপনা খোঙনা চৎপা অমদি গাড়ি মচা থৌবশিং মিপাইবা পোক্লরে।

## অঙোম শাগৈগী শলাইচা পুম্নমক্লা শরুক য়াবিয়ু : লাপাসাল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): লাইনিংথৌ পুরৈরোম্বা অঙোম সলাই অপূনবা লূপ (লাপাসাল), উত্রা শঙলেন, সনা কোনুংগী প্রেস কনফরেন্স অমা থা অসিগী ১৬ নোংমাইজিং নুমিৎগী পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা মেজে ারলখুলদা লৈবা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকচগনি। অসিগুম্বা কনফরেন্স অসিদা লমদম অসিগী য়ুম্নাক অঙোম ওইবা অঙোম সলাইচাশিং পুম্নমক্লা শরুক য়াবিয়ু অমদি সলাই তরেৎ য়াওনা শৈহৌজরক্কদবা থৌরম অসিবু মপুঙ ফাহনবিয়ু হায়না লাপাসালগী সেক্রেটরি উশম দিনেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অসিদা লাপাসালগী লৈরিবা মশা লোয়শঙশিংনা থৌবুরোইশিংগী মনুংদগী থৌমী মঙা-মঙানা খুজিং ওইবিদুনা লেঙবিরক্কনি। কনফরেন্স অসিবু অঙোম শাগৈগী সলাইচাশিং পুম্নমক্লা লেঙবিরক্তুনা মপুঙ ফাহনবিয়ু।

লাপাসালনা ঙসি ফাওবদা চঙশিঞ্জরিবা থবকশিংগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং দেপ্যুটি স্পিকর ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা খঙবিবগা লোয়ননা মীৎয়েং চঙবিদুনা তেংবাংবিরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মহাক্লা তৌরুবা খুদিংদা মায় পাকপা অমদি মাঙ থাবা ওইহনবিয়ু হায়না লাইনিংথৌ পুরৈরোম্বা অঙোম সলাই অপূনবা লূপনা লাইনিংথৌগী মফমদা থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



Title : Achieve your dream
By : Gyanalaxmi Wahengbam
Class : VI
School : Keishamthong High School




Title : Covid-19 Picture
By : Bidyalakshmi Konsam
Class: IV Sec : A Roll : 20



Title : A bird coming to eat apple
By : L. Lanchenba Meitei
Class : IV Sec: Jasper
School : Heritage Convent




Title : Merry Christmas
By : Ngasepam Krishna Singh
Class : I Sec : D Roll : 50
School : St. Joseph Higher Secondary School



Title : Kite
By : Benedict Thangjam
Class : I Roll : 21
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : A Candle
By : N. Chingkheinganba
Class : Nursery Roll : 31
School : R.M. School, Kwakeithel



Title : Tag ur best friend
By : Akoijam Leah
Class : IV Sec : B Roll : 16
School : Tiny Tot's Unique School



Title : Beach
By : Yohenba Kh.
Class : KG. Sec: Lotus Roll No. 35
School : SL Arena of Learning

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্নগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।